## নোংমগী ওইবা সেমিনার পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৪ ঃ লৌমীশিংনা লৌউ-শিংউবদা মরু ওইনা মনা-মশিং অমসুং উহৈ-ৱাহৈ থাবদা লায়না-তিন্না, নোংজু-নুংশা, অঙৈং-অশা অমসুং মহৌশাগী খল কায়কপনা পান্নবীদা পীরকপা চৈথেংশিংদগী ঙাকথোক্লবগীদমক এগ্রোটেক্সটাইলগী পোত্থোকশিং শীজিন্নদুনা মতৌ করম্না পোত্থোক হেনগৎনগদগে হায়বগী মতাংদা নোংমগী ওইবা সেমিনার অমা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ৩দা কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র (কে ভি কে), থৌবালগী ট্রেনিং হোলদা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

কে ভি কে, থৌবালগী প্রোগ্রাম কো-ওর্দিনেটর ডো. এম থোইথোইনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, সেমিনার অদু ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইলনা স্পোন্সর তৌরগা টেক্সটাইল কম্মিস্নার, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, সি ও ঈ-এগ্রোটেক, সাসমিরা অমসুং কে ভি কে, থৌবাল অহুম্না শীন্দুনা পাঙথোক্কখিবনি। লোয়ননা সেমিনার অদুদা লৌমী ১০২ শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা সি ও ঈ-এগ্রোটেক সাসমিরা, মুম্বাইগী সাইন্টিষ্ট অহুমা সি আর পি সিংহ, সাইন্টিষ্ট বি অয়ুব শৈখ অমসুং এম দি অফজাল, সি এ য়ু, ইম্ফালগী প্রোফ: দব্লিয়ু ইঙো মীতৈ, কে ভি কে, থৌবালগী প্রোগ্রাম কো-ওর্দিনেটর ডো. এম থোইথোই, এস এম এস হোর্টিকলচর কে ঐচ প্রেমলতা অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী প্রোগ্রেসিব ফার্মরশিং ৱাবগায়দগী লুখোই, চন্দ্রখোংদগী রতন অমসুং লফুপাৎ তেরাদগী রাজেন্দ্রনচিংবনা রিসোর্স পার্সনশিং ওইদুনা এগ্রোটেক্সটাইলগী পোত্থোকশিং শীজিন্নবগী কানবা, মতৌ করম্না শীজিন্নগদে, করি হীরমদা শীজিন্নবা য়াবগে, মতৌ করম্না লৌশিংনা স্কীম অসি পায়খৎকনি হায়বনচিংবগী মতাংদা ৱা ঙাংখি হায়রি।

## 'স্কোলর্শিপকী খুদোংচাবা লৌবীয়ু'

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৪ঃ য়ু জি সিনা মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্টকা খুৎশম্নরগা অখন্ননা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী মহৈরোয়শিংগীতা ওইনা পায়খৎপা ইশান উদয় স্কোলর্শিপ স্কীম, ২০১৪-১৫গী মখাদা কৈশামথোং এসেমব্লি কনষ্টিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈবা লাইরিক লাইশু তম্লিবশিং অমসুং গর্দিয়ানশিংনা স্কোলর্শিপ অসিগী খুদোংচাবা লৌহৌনবা কৈশামথোং এ সিগী এম এল এ লাইশোম ইবোমচাগী পি আর ও এম অরুনকুমারনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, স্কোলর্শিপ অসি জেনরেল দিগ্রী কোর্স তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী ওইনা থাদা লুপা ৩৫০০, টেক্নিকেল অমসুং প্রোফেস্নেল কোর্সকি ওইনা থাদা লুপা ৫০০০ পীগদবনি। হায়রিবা স্কোলর্শিপ স্কীম অসি লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ১০ ফাওবগী মনুংদা থাগদবনি। অতোপ্পা স্কীদা হান্ননা এপ্লাই তৌখ্রবা মহৈরোয়শিংদি স্কীম অসিদা এপ্লাই তৌবা য়ারোই।

হায়রিবা স্কোলর্শিপ স্কীম অসিগী অকুপ্পা মরোল খঙবীনীংবশিংনা কৈশামথোং এ সিগী এম এল এ ওফিস্তগী নৎত্রগা মোবাইল ফোন নম্বর ৮৭৯৪০৬৯৫৯৬, ০৯৪২৭২০২৯৯ অমসুং ৮৭৩২৮২০৩৪৬তগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

## নোংমগী কনফরেন্স পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৪ঃ নেসনেল কম্মিসন ফোর প্রোটেক্স ওফ চাইল্ড রাইটস (এন সি পি সি আর), ন্যু দিলিনা স্পোন্সর তৌরগা মণিপুর কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস ( এম সি পি সি আর) অমসুং মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টনা পুন্না শীন্দুনা কম্বেটিং চাইল্ড ট্রাফিক্কিং ইন মণিপুর হায়বসিদা নোংমগী ওইবা কনফরেন্স অমা লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ৬তা ইম্ফালগী নোর্থ এ ওসিদা লৈবা হোটেল ইম্ফালগী ক্লাসিক সঙাই হোলদা পাঙথোক্কদৌরি হায়না এম সি পি সি আরগী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ৬কী অয়ুক পুং১০ তাবদা পাঙথোক্কদৌরিবা কনফরেন্স হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি পি সি লোমকুংঙা, আই এ এসনা অথোইবা লেঙবীরকপা, এম সি পি সি আরগী চ্যেরপার্সন এ নবচন্দ্রনা থৌরম মপু অমসুং মণিপুরগী দিরেক্টর জেনরেল ওপ পুলিস সহিদ অহম, আই পি এসনা ঈকায়খুম্নরিবা লেঙবীরকপা ওইনা শরুক য়াগনি।

## মীওই ২ য়ুগা কোন্ননা ফারে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৪ঃহেদক্বার্টরস আই জি এ আর (সাউথ)কী মখাদা লৈরিবা ১০ সেক্টর এ আরগী ১৬ অসাম রাইফলসকী কাঙবু অমনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ৩দা ইল্লিগেল লিকরগা কোন্ননা মীওই অনী লিতান্দগী ফারে। ফারবশিং অদুনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী সিরুইদগী লৈখিদ্রবা মায়কাংগী মচানুপা অসাং তাঙ্খুল (৪৮) অমসুং সিরুই খুদগী নেংহোলগী মচানুপা অপম তাঙ্খুল (৩০) কৌই। মখোয়দগী লুপা ৯৭,৫০০ রোমগী ওইগদবা লোকেল মেদ লিকর ফংলে। ফারবশিং অদু ফংলিবা পোৎকা লোয়ননা লিতান পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়না হেদক্বার্টরস আই জি এ আর (সাউথ)কী পব্লিক রিলেসন্স ওফিসারনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

# টিপাইমুখ দামগী মতাংদা খন্নরগা রিকম্মেন্দেসনশিং তৌখ্রে

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ০৪(ঐচএনএস)ঃ

য়ু এন দিক্লারেসন ওন রাইটস ওফ দি ইন্দিজিনস পিপল এন্দ ইম্পেক্ট ওফ টিপাইমুখ দাম ওন দি এনভাইরোমেন্ট হায়বা হীরম অসিদা মীয়ামগী মীফম অমা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ৩দা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী নুঙবাদা পাঙথোক্লুনা তোঙান তোঙানবা রিকম্মেন্দেসনশিং তৌখ্রে হায়না পিপল'স এক্সন ফোর দিভলপমেন্ট ( পি এ দি), এন ঐচ ৩৭গী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা রিকম্মেন্দেসন তৌখিবশিং অদুদা য়াওরিবদি টিপাইমুখ দাম পায়খৎত্রিঙৈগী মমাঙদা ৱার্ল্ড কম্মিসন ওফ দামসকী রিকম্মেন্দেসন অমসুং য়ু এন দিক্লারেসন ওন দ রাইট ওফ ইন্দিজিনস পিপল মপুং ফানা ঙাক্লবা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টতা তকশিনবনি। আর্মদ ফোর্সেস (স্পেসল পৱার) এক্ট, ১৯৫৮ রিপীল তৌনবা অমসুং মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা অমসুং চাউখৎপগী মিংদা মিলিটরাইজেসন তৌবা লেপ্পবা ইনিদয়াদা তকশিনবা হায়নসু রিকম্মেন্দেসন তৌখি।

মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংগী হান্না খঙহন্দনা অমসুং অয়াবা য়াওদনা মণিপুরদা পেট্রোলিয়মগী পোত্থোক পুম্নমক থিবা অমসুং চিংথোকপগী থবক লেপ্পবা ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অমসুং জুবিলান্ট ওইল এন্দ গ্যাস প্রাইভেট লিমিটিদতা তকশিনবা হায়নসু মীয়ামগী মীফম্না রিকম্মেন্দ তৌখি হায়রি।

হৌখিবা কুমজা ২০০৮দা য়ু এন স্পেসল রাপ্পোর্টর ওন ইন্দিজিনসনা রিকম্মেন্দেসন্স অদু মপুং ফানা ঙাক্লবা ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অমসুং মণিপুর গভর্নমেন্টতা তকশিনবা হায়নসু মীয়ামগী মীফম অদুনা মখা তানা রিকম্মেন্দ তৌখি হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, পি এ দি-এন ঐচ ৩৭ অসি খুল ১০দা য়ুম্ফম ওইবা লূপশিংনা শেমখিবনি। লূপ অসি দাম্না শোকহল্লবা মফমশিং, ঐচ আই ভি/এইদস এন্দ দ্রগস, ফার্মরস য়ুনিয়ন্স, ভাইওলেন্স এগেনষ্ট ৱিমেননচিংবা ইস্যুনশিংদা থবক নেটৱার্ক ওইরিবা পিপল প্লেটফোর্ম সেক্রেটরিএটকী শরুক অমনি। মল্টিনেসনেল কম্পেনিশিংগী তোঙান তোঙানবা ইকনোমিক এক্টিভিটিশিং মরম ওইবগী হৌখিবা চহী খরা অসিদা য়েলহৌমীশিংগী ফংফম থোকপশিংদা খুদোংথীনিংঙাই ওইরক্লি। কম্পেনিশিংনা মাইনিং প্রোজেক্ট পায়খৎনবা অমসুং দাম শানবগীদমক অচৌবা লমশিং লৌশিনখিবদগী খুল ময়াম অমা দিসপ্লেস তৌরি। খুদম ওইনা কুমজা ২০১১দা লোক্তাক পাৎতা ফুমশঙ ১০০০ নমদুনা ইভিক্সন তৌদুনা নুপী অমসুং অঙাং য়াওনা মীওই লিশিং ৫ শোকহনখি।

পায়খৎকনি হায়রিবা টিপাইমুখ হায়দ্রোইলেক্ট্রিক দাম অসিনা মণিপুরগী উমং স্বার কিলোমিটর ২২৭ ঈশিং থুমজিন্দুনা পাম্বী ৮২.৪৭ মাঙহনগদৌরি। এনভাইরোমেন্ট মিনিষ্টরগী রেকোর্দসকী মতুং ইন্না জলম হেক্টর কয়া অমসু শোকহনগদৌরি হায়রি। অদুগা ষ্টেট গভর্নমেন্টনসু মফম অসি খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা ফ্রেরা অমসুং ফাওনাগী লৈফমনি হায়বা য়ারিবনি। সেনিয়র ষ্টেট ফোরেষ্ট ওফিসলনা প্রোজেক্ট অসিনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা উমং খক্তদা শোকহনবতা নৎতনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী উমং নৎতবা মফমশিং অমসুং থংনরিবা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু অকায়বা পীগদৌরিবনি হায়রি।

অমরোমদা, অৱাংনোংপোক ইনিদয়া অসি খ্বাইদগী য়ুহা হাগনবা মফম ওইবনা খুদোংথীনিংঙাই ওইরিবনি। টিপাইমুখ দাম শাগনি হায়রিবা মফম অসিসু য়ুহা হাগনবা মফমনি হায়বগী খুদম কয়া লৈরি। লোক্তাক হায়দ্রোইলেক্ট্রিক পৱার প্রোজেকনা লৌ পরি লিশিং ৮০না ঈশিংনা মনুংদা লৈখ্রে অমসুং অৱাং নোংপোক্তা অমখক্তমক ঙাইরবা ফ্রেশ ৱাটর লেক অসি প্রোজেক্ট অসিনা অমসুং পাৎ ফজনা য়েংশিন্দবদগী মাঙখিবা য়াবগী অকিবা লৈরবনি। মণিপুর ষ্টেটতা পিক অৱারদা শীজিন্নরিবা মৈ অসি মেগাৱাট ১২০ খক্তমক ওইবনা ১৫০০ এম দব্লিয়ু টিপাইমুক প্রোজেক্ট অসি মথৌ তাদে হায়রি।

# সি এমগী ৱাঙাংনা মীয়াম শাওবগী পন্দোম লোমহল্লে ঃ এম এস এফ

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৪ (ঐচএনএস)ঃ

জে এ সি এগেনষ্ট এট্রোসিটিজ ওফ সেন্ট্রেল সেক্যুরিটি ফোর্সেস ইম্ফাল মোরে লম্বীগী চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি মণিপুরী ষ্ট্যুদেন্টস' ফেদরেসন (এম এস এফ)না কুপ্পা মোনিটর তৌরবা মতুংদা মপুং ফানা শৌগৎলে লোয়ননা ২৪শুবা এ আরনা খুদেংথাবী অমসুং সিতা লমখায়দা তঙাইফদনা চথোক চৎশিন তৌরিবা মীয়ামগী মীওইবগী রাইটস মৎপিরে হায়না ফোঙদোরক্লি।

এম এস এফ, ময়াই লোইশঙগী জেনরেল সেক্রেটরি এম বিদ্যারাজনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, সিফাই ১-২না অরৎ-অখম লৈতনা চৎলিবা গারি খুদিংমক পরেং লেপহন্দুনা দিটেন তৌবীরি। অথু-অকাই চৎচবা, লৈত-লাইরতনা অৱাবা খাংদুনা লল্লোন ইতিক তৌজরিবা মীপুম খুদিংমক অৱাবগী পন্দোম লোম্লে। ইন্টিলিজেন্সকী পাউদা অখন্ননা চেক তৌবা নৎত্রগা এ আরগী পোষ্ট অমখক্তদা মপুং ফানা চেক তৌগে হায়বসু কায়দে।

মফম অনীসিদা মতম য়াম্না মাঙহনবা, পোৎ খুদিংমক লোইনা থাংথহনবা, লনাইগী গারি, কম্মর্সিএল খায়দোক্তবা, সিতা লমখায় অমসুং খুদেংথাবী এ আর পোষ্টশিংদা মীয়াম্বু লানফা অমগুম ট্রীট তৌবীবা অমসুং খোঙনা শাংনা চৎহনবীবা পুম্নমকশিং অসি লৈঙাকনা খুদক্তা লেপহনগদবনি হায়রি।

এ আর হায়বসি পেরা মিলিটরিনি। ষ্টেট গভর্নমেন্টকী মতেং পাঙনবগীদমক লৈরিবনি। ২৪শুবা এ আরগী মথোংহক্তবা থৌওংশিং মীয়াম্না থিন্দুনা তাক্লবা ফাওবা সি এমনা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী য়াকা য়েংদুনা লৈরি। ভোইস ওফ দ পিপল ইজ দ ভোইস ওফ গোদনি হায়বসি দেমোক্রেটিক ফোর্ম ওফ গভর্নমেন্টতা সি এম ওইরিবা ও ইবোবীনা শুকখঙ খঙদ্রে। মাগী এদমিনেষ্ট্রেসন্দা মতেং পাঙলিবা ২৪ এ আরগী সি ও ওইরিবা কর্নেল অমনা হেন্না চাউখ্রে। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর খুদক্তা কনভিন্স তৌদুনা তৌফম থোকপা থবক হৌজিক ফাওবা তৌদ্রি হায়রি।

ইম্ফাল লম্বী মোরে লম্বী অসি অশি লৈপাক্তা চপ মান্নরে। মতমগী মমল খঙনা চৎননবা মিনিষ্টরসিংনা লাউরি। চীংনুং মানুং অসিদা মীয়াম্বু পরেং লেপহনবা, গারিশিং লোদতা লাক্লবসু মফম অনীসিদা লোইনা থাহল্লি। অতোপ্পা গারিশিং মাগী মাগী টরন ঙাইহল্লি। সিফাইশিংনা থিরি হুন্নিবনি হায়দুনা খুন্দা লৈরিবা চথোক চৎশিন তৌরিবা মীয়ামগী হিংবগী লম্বীদা লীশাং শিংনা চত্থরিবা মতম হেন্না মাঙহনবগী করেম্নবগী, ফুনিংবা মফমদা হেক্তা ফুবগী চৎনবী অসি কাঙলোন অমা পুথোক্তুনা লৈঙাকনা খুদক্তা লেপহনবা মথৌ তাই হায়রি।

ষ্টেট ফোর্সশিং চথোক চৎশিন তৌরিবা মীয়াম ঙাক শেল্লিবনি, লৈঙাকনা মখোয়গী তোলোপ পীরিবনি। অদুবু গারি খুদিংমক্তগী ষ্টেট ফোর্সনা লৈরিবা মফম খুদিংমক্তা য়াওশঙগী থৌরি থৎপা, শেল পীদবা য়াদবা, হেক্তা লৌবগী চৎনবী অসিসু মণিপুর লৈঙাকনা খুদক্ত লেপহনবা মথৌ তাই। লৈঙাক পায়বা ঙম্লোইদবা ওইরবদি সি এম ফম থাদোকপনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি হায়রি।

ঙসিদি মীয়াম খাঙবা ঙম্বগী পনখৈ লানখ্রে। মীয়াম কাঙলুপ খুদিংমক্তগী অশোইবসিং থিন্দুনা তাকলক্লে। হৌজিক লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী অচুম্বা খোল্লাউপু নাথৈদুনা চৎলবদি সিভিল ৱার মায়োক্লরোই হায়নিংঙাই লৈতে। জে এ সিনা কৈদৌঙৈদসু মায় লৈদুনা চৎপিদনবা এম এস এফনা আপীল তৌজরি লোয়ননা মণিপুর লৈঙাক্লসু মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক ওইনা পাঙথোকপিনবা খঙহঞ্জরি হায়রি।

# খুরাই অহোংপুঙগী মতাংদা মীয়াম খঙমিন্নবগীদমক সেমিনার পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ০৪(ঐচএনএস)ঃ

মীয়াম্না হেন্না মরিক চুম্না খঙমিন্নবগী খুদোংচাবা লৌমিন্নবগীদক্তা খুরাই অহোংপুঙ লাইফমগী মতাংদা লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ৮গী অয়ুক পুং ৮. ৩০ দগী হৌরগা খুরাই সোইবম লৈকায় ৱাঙ্খৈ খুনৌদা লৈরিবা সিটিজিন ক্লবকী শঙলেনদা সেমিনার অমা পাঙথোক্লগনি। খুরাই অহোংপুঙ লাইফম লৈপাক লাইনীংগী খুভম অমনি থাজবা, খঙবীবা অমসুং কনবীনীংবা ইচিন-ইনাওশিংনা লেঙবীরক্তুনা শরুক য়াবীয়ু, দেলিগেট ওইবগী ফী লৌজরোই হায়না মায়চৌ নীংশিং লূপকী সেক্রেটরি অহেন্থেম ইরাবতনা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, খুরাই অহোংপুঙ, অহোঙ্গৈদা লৈরিবা লাইফম অসি য়াম্না মরু ওইবা অহকপা লাইফম অমনি। লাইফম অসিগী লাইনীংগী ওইবা মরম অমসুং মতাংদা অরিবা লাইরিক্তা খুভম অসিগী মতাং অখঙ-অহৈ কয়ানা থিগৎতুনা মীয়াম খঙহন্নবা কন্না হোৎনবীরি।

অদুবু লৈকায় অমসুং খুঙ্গংগী মীয়াম্না লাইফম অসিদা য়েংলিবা মীৎয়েং অসি ইয়ৌ য়ৌদবা লাইফম অসিগী অশেংবা মরু ওইনা ইতা তানিংদবা, খঙনিংবা ৱাৎপদগী লাইফম অসি ঙসিমক্কী ওইনদি মুৎপগা পাঙ্খক ওইরে হায়রি।

খুদম ওইনা তিল্লিশিংনা অহোঙ্গৈ লৈকায়দা খুরাই অহোংপুঙ লাইফম লৈতে হায়রি। ৱাফম অসি খঙলবা তারবা ফাওবদা মীয়াম্না লাইফম অসিগী মতাংদা ফোঙদোক্লিবা অসি চুম্মী-লাল্লিসু হায়দে। তুমিন্না অদুম লৈ। মসিদা চুম্লবোই নীংদুনা তিল্লিশিংনা মীয়াম তিন্দুনা লাই খুরুম্বা য়াহনবীগনু হায়বনচিংবা রিপোর্ট তৌদুনা লাইফম অসিবু কন্ননবাহোৎনজরিবা কয়াবু লোবু মখুৎতা পায়বদৌনামীয়ামদা উহন্নবা হোৎনরি হায়রি।

লাইফম অসি মুথৎনবা থাংজিল্লক্লিবা খোঙথাং, পায়খৎলক্লিবা খুশিন-থৌরাং কয়া ঐখোয়না খঙবা ঙমদ্রিবগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মরমদি মীয়াম্না লাইফম অসিগী মরমদা থিগৎপা অমসুং খঙবা ৱাৎপদগীনি হায়না অখঙ-অহৈনা তাকপিরি। ৱাফম অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা মীয়াম্না হেন্না মরিক চুম্না খঙমিন্নবগী খুদোংচাবা লৌনবগীদমক্তা সেমিনার অসি পাঙথোক্কদৌরিবনি হায়রি।

## থৌরমশিং পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৪ঃ লীশাং শিংনা ইরমদম মণিপুরগা শাগোন্নদুনা অমসুং মণিপুরদা থোকখিবা অমদি থোক্লিবা মতম মতমগী লৈপাক্কী ইস্যু কয়াদা হ্যুমেন রাইটস মাঙহনবা য়ারোই, মীওইবগী হিংনবগী রাইটস কনগদবনি হায়বা ৱাশক্ল পুন্নিংদা চেংনা থাগোন্দুনা মাঙজিল থানা চৎলিবা মণিপুরগী সিভিল ওর্গনাইজেসনশিংগী মরক্তা অথোইবা অমা ওইরিবা কমিটি ওন হ্যুমেন রাইটস (কোহর), মণিপুরনা লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ১৩দগী হৌরগা ফেব্রুৱারী ১৫ ফাওবা য়ুম্বু ওইদুনা অমসুং সি দি আর ওনা স্পোন্সর তৌবা হ্যুমেন রাইটস অমসুং ইন্টর্নেসনেল লোদা য়ুম্ফম ওইবা প্রোগ্রাম কয়া অমা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী সেন্টিনরি হোলদা লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ১৫দা নোংমগী ওইবা কনভেন্সন পাঙথোকপগা লোয়ননা মপাল লমগী মীওইশিংসু য়াওরগদবা থৌরম কয়া অমা পাঙথোক্কনি হায়রি।

কোহরগী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা সেক্রেটরিগী প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, হায়রিবা থৌরম পরেংশিং অসিদা মীয়াম অমসুং লৈপাক সিগী ঈকায়খুম্নজরিবা কাঙলুপ খুদিংগী সিভিল ওর্গনাইজেসনশিংগী মীওইশিং, ইমা মৈরা পায়বীশিংগী অমসুং নুপীশিংগী লূপকী মীওইশিং, মহৈরোয়গী লূপশিংগী মীওইশিং, মীদিয়াগী ইচিল ইনাওশিং, স্কুল-কোলেজগী মহৈরোয়শিং খ্বাই পুম্নমক্না লেঙবীরক্তুনা শরুক য়াবীয়ু অমসু মপুং ফাহনবীয়ু হায়না কোহরগী মায়কৈন্দগী হায়জরি।

মপাল লমদগী মীওই কয়া অমসুং লাক্তুনা পাঙথোক্কদবা প্রোগ্রাম ওইবনা চথোক চৎশিন তৌবদা অপনবা অমসুং খুদোংচাদবা থোক্তনবা লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ১২দগী ১৬ ফাওবদি কনাগুম্বা অমত্তা বন্দ, ব্লোকেদ অমসুং জেনরেল ষ্ট্রাইকনচিংবা তৌবীদনবা কোহরগী মায়কৈন্দগী নোল্লুক্ন আপীল তৌজরি হায়রি। কোহরনা মতম মতমগী ইস্যু কয়াদা শরুক য়াবা অমসুং থবক কয়া পাঙথোকপদা মীয়াম্না পাঙ্গল, থৌনা অমসুং শেলগী মতেং পীবীদুনা কোহরবু নুংশিবীবা অমসুং শৌগৎপিবগীদমক্তসু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি লোয়ননা মখা তানা মতেং পীবীরক্কনি অমসুং শৌগৎপিরক্কনি হায়নসু মীয়ামদগী থাজবা থমজরি হায়রি।



# ইগজামিনেসন থাগদবা মহৈরোয়শিংদা অমমসুনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ০৪(ঐচএনএস)ঃ

বোসেম, কোসেম, সি বি এস ঈ অমসুং কে ভি এসকী ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভ ইগজামিনেসন থাগদবা মহৈরোয়শিংগী মফমদা ওল মণিপুর মাইনোরিটি ষ্ট্যুদেন্ট' য়ুনিয়ন (অমমসু)না য়াইফ পাউজেল পীজরি লোয়ননা মীকোক থোংবা, য়াইফবা ওইহনবীদুনা তিঞ্জং কায়জংদবা অমসুং মীথোই মীহেনবা ওইহনবীনবা তাইবঙ মপুগী মফমদা থৌনিজরি হায়রি।


অমমসু, ময়াই লোইশঙগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এম দি ৱাসবির হুসেন খানা প্রেস্তা থোকপা চেরোল অমদা মখা তানা হায়, হায়রিবা ইগজামিনেসনশিং অসিগী য়েংবীদুনা কনাগুম্বা ওর্গনাইজেসন অমত্তনা বন্দ, ব্লোকেদ, পব্লিক কার্ফ্যুনচিংবা তৌবীদুনা মহৈরোয়শিংবু অপনবা পীবীগনু। লোয়ননা ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্ট অমসুং পৱার য়ুনিটশিংনসু ইলেক্ট্রিক চাং নাইনা পীবীদুনা মৈ মুৎপগী অৱাবা লৈহনবীগনু। মমাঙ চহীশিংদা থাউ ফংদবগী অৱাবা মায়োক্ল হন্দুনা মহৈরোয়শিংগী ইগজানিসেন্দা অপনবা পীখিবদুম্বা অমত্তা হন্দক চহীসিদগী অপনবা পীবীগনু হায়না মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী মফমদা পাউজেল পীজরি।

কেরেলাদা পাঙথোক্লিবা ৩৫শুবা নেসনেল গেমস্তা শরুক য়াবীরিবা মণিপুরগী টিমবুসু পুক্নিং থৌগৎচরি। লোয়ননা মেদল কয়া মথং মথং লৌরক্তুনা ওভরওল টিম চেম্পিয়ন ওইবা ওইরসনু হায়নসু তাইবঙ মপুগী মফমদা থৌনিজরি।

কুমজা ২০১৫গী ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বকী মহৈরোয়শিংনা থৱায় অমা ওইহন্নবা হোৎনরিবশিং লোয়ননা ইগজামিনেসনশিং অসিদা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা মীৎকুপ নাহুম শিংনা মহৈরোয়সিংবু অচুম্বা লম্বীদা পুরক্ল বগীদক্তা মতেং পাঙজবদা অপনবা পীবীগনু হায়রি।

এদ্যুকেসনগী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা আর টি ঈ এক্টকা মরী লৈনবা পায়খৎখিবা এস এস এ, রমসা অমসুং মিদ ডে মীলনচিংবশিং গী ফন্দ লান্না শীজিন্নদুনা মহৈরোয়শিংদা ফংহন্দবা য়াওরিবা কয়া অসিসু অমমসুনা মথং মথং থিগৎপা হৌরগনি অমসুং মরাল লৈবশিং অদু মথং মথং পাউচেশিংগী খুত্থাংদা ফোঙদোকচরগনি। মসিদা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন, মৈরা পায়বী ইমা ইবেল, ইচল ইচে, ইপা-ইপল, মরুপ-মপাং খ্বাইখিবীক্লা অঙম্বা মতেং পাঙবীয়ু হায়না মীয়ামদা পাউজেল পীজরি হায়রি।

## CROSSWORD-1654




**ACROSS**

7 Suitable (11)
8 Small crustacean (6)
9 Garden hedge plant (6)
10 Be unsteady on one's feet (6)
12 Heavenly spirits (6)
13 Dolt (3)
14 Motor fuel (6)
16 More courageous (6)
18 Patron saint of Scotland (6)
20 Frightened (6)
22 Star-gazers (11)

**DOWN**

1 Impetuous (4)
2 Short fast race (6)
3 Non-commissioned officer (8)
4 Let fall (4)
5 Manufacturing (6)
6 Wake-up signal (8)
11 Eastern (8)
12 Fire-resistant mineral (8)
15 Layers (6)
17 Astounded (6)
19 Timber (4)
21 Gaelic (4)

Solution 1653



SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-1462**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 2 | | | 1 | | | | |
| | | 6 | | | | 2 | | |
| | | | 4 | | | | 3 | |
| 2 | | | | | | | | |
| | | | 2 | | 5 | 6 | | |
| 1 | 3 | | | 6 | 4 | 9 | | |
| | | | | 9 | 2 | 3 | 1 | 4 |
| 5 | | 1 | | | | | | |
| | | 2 | | | 6 | | 8 | |

**Solution-1461**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 2 | 9 | 5 | 1 | 6 | 4 | 8 | 3 |
| 6 | 1 | 4 | 7 | 8 | 3 | 9 | 5 | 2 |
| 3 | 5 | 8 | 4 | 2 | 9 | 6 | 1 | 7 |
| 4 | 6 | 5 | 8 | 3 | 1 | 7 | 2 | 9 |
| 1 | 9 | 3 | 2 | 7 | 5 | 8 | 4 | 6 |
| 8 | 7 | 2 | 6 | 9 | 4 | 5 | 3 | 1 |
| 2 | 8 | 6 | 1 | 4 | 7 | 3 | 9 | 5 |
| 5 | 3 | 1 | 9 | 6 | 8 | 2 | 7 | 4 |
| 9 | 4 | 7 | 3 | 5 | 2 | 1 | 6 | 8 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9




HL-B/2219/23/1-22/2



HL-B/2233/1-28/2

DUTTA CLINIC

অঙৌবা পকপা, তাং-তাং চিকপা, নুপাগী প্রোব্লেম, নুপীগী প্রোব্লেম, নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক, ডাইবেটিস, নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম অমসুং য়ু করম্না থাদোক্কনি

**অঙৌবা পকপা :**



অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

**তাং-তাং চিকপা :**

**নুপাগী প্রোব্লেম :**

**নুপীগী প্রোব্লেম :**

**নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :**

**ডাইবেটিস :**

**নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :**

**য়ু করম্না থাদোক্কনি :**

DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/2218/23/1-22/2